‘অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা পব্লিক য়ুনিভর্সিটিশিং অথুবা মতমদা হাংদোক্লগনি’

কাবুল, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টানদা টালিবান লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং মতম শাংনা থোঙ লোন্দুনা লৈরুরবা লৈবাক অদুগী য়ুনিভর্সিটিশিং অমুক হাংহন্দুনা হান্নগুম মথৌ তৌবা হৌহল্লগনি হায়না টালিবান গবর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

লৈবাক অদুগী অনৌবা এক্টিং এক্যুদেসন মিনিষ্টর ওইনা খল্লকখ্রবা অবদুল বাকি হক্কানিনা ৱাফম অসি মীয়ামদা ফোঙদোকখিবনি হায়না টোলো ন্যুজকী রিপোর্ট অমনা হায়রি। রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মতম খরা থোঙ লোন্দুনা লৈরুরবা মহৈলোয়শঙশিং অমুক হাংদোক্লুনা লৈবাক অদুগী মহৈরোয়শিং হান্নগুম লাইরিক তম্বা ফংহন্নবা গবর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। মীয়াম্মসু লৈবাক অসিদা নৌনা শেমখ্রবা লৈঙাক অসিদা থাজবা থম্বগা লোয়ননা মতেং পাংফম থোকই।

টালিবানননা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়ামদা চপ মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংলি। অদুবু নুপী মহৈরোয়শিংগী ওইনদি তোঙানবা নুপী খক্তগী ওইবা মহৈলোয়শঙ লৈহন্নবা হোৎনরি। নুপীশিংগী রাইট মাঙহন্নবা টালিবান লৈঙাক্না হোৎনখিবা লৈতে। মখোয়গী সিক্যুরিটিগীদমক খল্লগা টালিবান লৈঙাক্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎপনি। মসিদা মীওই খরনা মশাগী খুদোংচাবা য়েংলগা টালিবানগী লো অসিবু মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি লাইবক থিবনি হায়রি।

অমরোমদা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংনা নৌনা শেমখ্রবা টালিবান লৈঙাক্কী থবক থৌওংশিং য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। টালিবান লৈঙাক্না মহৈলোয়শঙশিং হাংদোক্কনি হায়না ফোঙদোকখ্রবসু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোরকপা লৈত্রি। থা অমরোমগী মমাংদা মহৈলোয়শঙ হাংদোক্লগনি হায়না টালিবান লৈঙাক্না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। মচিন্দা ফজবা ৱাহৈ কয়া ফোঙদোক্লবসু স্কুল অমদি কোলেজশিং হাংদোকপগী ৱাফম অসি ফাইনেল তাবা ঙমদনা লৈরি। মসি লৈবাক অসিগী মহৈরোয়শিংগী ওইনদি য়াম্নমক লাইবক থিবনি হায়রি। অমরোমদা কাবুলদা ঙসি নুপী গ্রুপ অমনা মহৈলোয়শঙ থিংজিনবগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখিবগা লোয়ননা টালিবানগী লৈঙাক্কী থৌওং অসি অফঘান মীয়ামগী রাইট মাঙহনবনি হায়বা খোল্লাউশিং লাউখি।

বুধগী মীতম খিল্লম্বা মফম টালিবাননা ঙাক শেনখ্রে

বামিয়ান, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী) :

হৌখিবা কুমজা ১৯৯৬-২০০১ ফাওবা অফঘানিষ্টানদা লৈখিবা টালিবান লৈঙাক্না থুগায়খিবা অরিবা বুধগী মীতম খিল্লমখিবা মফম অমা হন্দক্তা নৌনা শেমখিবা টালিবান লৈঙাক্না ঙাক শেনবগী থবক চথখ্রে হায়রি।

বামিয়ান প্রোভিন্সতা লৈবা চহী ১,৫০০ রোম শুরবা বুধগী মীতম অনী অসি হৌখিবা কুমজা ২০০১ দা মতমদুদা লৈরম্বা টালিবান লৈঙাক্না থুগায়খিবনি। মীতম অনী অদু থুগায়নবা হোৎনবদা টালিবানগী মীওই ১০০ হেনবনা নুমিৎ ১৫ হেন্না থবক তৌখি। মীতমশিং অদু চীংগী শরুক্তা হক্কুনা শারম্বনি হায়রি।

অমরোমদা বামিয়ান প্রোভিন্সকী কলচরেল এফেয়র্স ওফিসকী মকোকথোংবা সাইফুর রহমননা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০০১ দা থোকখিবা থৌদোক অদু ৱার্ল্ড হেরিটেজকী মায়োক্তা চথবা ক্রাইমনি। হান্না শোয়খিবা অদু চুমথোক্লবগীদমক মফম অসিবু ঙাক শেনবগী থবক চথবা হৌখিবনি। হিষ্টোরকেল্ল সাইটশিং ঙাক শেনবগী থবক কনখৎলগনি হায়রি।

ক্রিমিনেল গেংশিংনা কিদনেপ তৌখিবা মীওই ২০০ রোম রেস্ক্যু তৌবা ঙমখ্রে

অবুজা, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী) :

নাইজেরিয়াগী তোঙান তোঙানবা স্কুল অমদি চর্চশিংদগী ক্রিমিনেল গেংশিংনা ফাদুনা পুখিবা মীওইশিংগী মনুংদা ২০০ রোমদি নাইজেরিয়ান সিক্যুরিটি এজেন্সিশিংনা রেস্ক্যু তৌবা ঙমখ্রে হায়না পুলিসকী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাঙাংলোয় অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অদুগী অৱাং নেংচুপ থংবা শরুক অমদি সেন্ট্রেল নাইজেরিয়াগী শরুকশিংদা অফবা মখলগী খুৎলায় পায়বা ক্রিমিনেল গেংশিংনা হৌখিবা চহী খরা অসিদা খুঙ্গং খুঙ্গংশিংদা চত্তুনা লূট তৌবা অমদি নুপী অঙাংশিং ফাদুনা রেন্সম তানবগী থবকশিং চথদুনা লাক্লি। ক্রিমিনেল গেংশিংনা চথরিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিং অসি লৈঙাক্না থিংনবা হোৎনরবসু হৌজিকমক্কী ওইনদি মায় পাকপা ঙমদ্রি।

লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ক্রিমিনেল গেংশিংনা ফাদুনা পুখিবা মীওইশিং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা রেস্ক্যু তৌনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনদুনা লাক্লি। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চথরকখিবা থি হুন্বগী থবক্তা ঙসি ঝমফারা ষ্টেট মনাক্তা লৈবা উমং অমদগী মীওই ১৮৭ রেস্ক্যু তৌবা ঙমখিবনি। রেস্ক্যু তৌখ্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা খরগী হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লম্বা থেংনখ্রে। খুদক্তা মখোয়বু ফার্ষ্ট এইদ পীরবা মতুং মখা তানা লায়েং চথনবগীদমক মনাক নকপদা লৈবা হোস্পিটালশিংদা পুখৎখ্রে।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ঝমফারা ষ্টেট পুলিসকী ৱাঙাংলোয় মোহমদ সেহুনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অদুগী মনাক নক্না লৈবা উমং অমগী মনুংদা মীনা খঙদনবা মওংদা উনা ৱানাশিংতনা কুপ্পা শঙশিং শাদুনা মীওইশিং অদুবু ফাজিন্দুনা থল্লমখিবনি। মখা তানা উমং অদুদা অহেনবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং দিপ্লোয় তৌদুনা মী থিবগী থবক হান্নদগী হেন্না কনখৎহনখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি ক্রিমিনেল গেংশিংনা হৌজিক মরুওইনা চহী নৌরিবা মহৈরোয়শিংদা টর্গেট থমদুনা থবকশিং পায়খৎপা হৌরক্লি।

নুপী অমত্তা য়াওরকপা ঙমখিদবসি লাইবক থিবনি

স্বিদেন, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী) :

কুমজা ২০২১ গী ওইনা তোঙান তোঙানবা লমদা থবক তৌদুনা মীয়ামদা খুদোংচাবা অমদি কান্নবা কয়া পীবগীদমক খনগত্তুনা পীখিবা মালেমদা খ্বাইদগী হেন্না লেমজনিঙাই ওইরবা নোবেল প্রাইজ নুপী অমত্তা ফংবা ঙমখিদবসি লাইবক থিবনি হায়না স্বেদিস এসোসিএসন ওফ ফিমেল একাদেমিক্স এন্না-মেরিনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক ফাওবদা নোবেল প্রাইজ ফংখিবা নুপী মশিং অসি নুপাগা য়েংনরুবদা য়াম্না খেৎনরি। হন্দক চহীগী ওইনা নোবেল কম্মিটিনা নুপী অমত্তদা লেমজনিঙাই ওইরবা মনা অসি পীরকখিদবগী মরম চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। ক্লাইমেট এক্টিভিষ্ট গ্রেটা থনবর্গ অমদি বেলারসতগী তাম্থোকখ্রবা ওপোজিনসন লিদর ভিয়াটলনা সিখানোসকায়া নোবেল পীছ প্রাইজ ফংবা য়াই হায়না থাজনখি। অদুবু হায়রিবা নুপী অনী অসিসু খল্লকখিদে। মসি য়াম্না লাইবক থিবনি।

হৌজিক লৈরিবা নোবেল কম্মিটি অসি নুপীশিংনা মরুওইবা ফমশিং পায়রি। অদুবু নুপী অমত্তা লেমজনিঙাই ওইরবা মনা অসিগীদমক খল্লকখিদবা অসিনা মরম ওইরগা নুপী কয়ানা ৱাহং কয়া কম্মিটি অসিদা হংনরক্লি।

সাউথ সুদানদা ঈশিং ঈচাওনা মীওই লাক্ষ ৬ হেনবদা চৈথেং পীখ্রে : য়ু এন

খারটোম, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী) :

চহী অসিগী মে থাদগী হৌরগা সাউথ সুদানগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থোকখিবা ঈচাওনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা লৈবা মীওই ৬,২৩,০০০ রোমদা অকনবা চৈথেং পীখিবগা লোয়ননা কয়া অমনা ময়ুম থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুনাইটেদ নেসন্স ওফিস ফোর দি কো-ওর্দিনেসন ওফ হ্যুমেনিটিরিয়ন এফেয়র্সনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, নুমিৎ কয়ানি লেপ্পা লৈতনা অকনবা নোং চুখিবনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী তুরেল অয়াম্বা কায়খিবগা লোয়ননা মফম কয়া ঈশিংনা থুমজিনবা হৌরকখিবনি। লৈবাক অদুগী ষ্টেট ১০ গী মনুংদা ৮ দি ঈচাওনা চৈথেং পীখি। মরুওইনা জোংলৈ অমসুং য়ুনিটি ষ্টেট্সতা ঈচাও অসিনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। হায়রিবা ষ্টেট অনী লৈবাক অদুগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা ষ্টেটশিংনি।

ঈচাওনা অৱাবা তাহল্লবা মীওইশিং মতেং পাংনবগীদমক মশিং য়াম্লবা রেস্ক্যু ৱার্করশিং মফমদুদা চঙশিনবা হৌখ্রে। এইদ ৱার্করশিংনা তোঙান তোঙানবা মখলগী বোটশিং শীজিন্নদুনা অৱাবা তারবা মীশিংদা মতেং পীবগী থবক চথরি। স্কুল, য়ুম অমদি হেল্থ ফেসিলিটি কয়াসু ঈশিংনা থুমজিনখিবদগী মথৌ তৌখিদ্রে। হোস্পিটালশিং মথৌ তৌখিদবা অসিনা মরম ওইরগা অৱাবা তারবা মীওইংদা অমুক্কা হেন্না অৱাবা নংহল্লি। ঈচাওনা চৈথেং ফংলবা মীওইশিংদা হৌজিক খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীরক্লিবা অসি চানবা চীঙাক মরাং কায়না ফংলক্তবা অসিনি।

দুকানশিংদা য়োল্লিবা পোৎ চৈ গী মমলসু কা হেন্না ৱাংখৎখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা লায়রবা মীওই কয়াদি চরা হেনবগী ফিভমদা লাক্লে। হ্যুমেনিটেরিয়ন গ্রুপশিংনসু চানবা পোৎলমশিং মতেং পাংনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। হিদা চানবা পোৎলমশিং পুদুনা য়েনবগী থবক চথরবসু মপুঙ ফাবা ঙমদ্রি। ঈচাওনা চৈথেং পীখ্রবা সিটিশিং অসিগী মীওই খরা শাফগদবা মফমশিংদা থোরকখ্রবসু অয়াম্বদি অৱাংবা মফম অমদি য়ুমগী মথক থংবা শরুকশিংদা লৈরি। মখোয়বু তেক্ত কায়দনা পুথোরক্লবা অকনবা মওংদা হোৎনরি।

য়ু এস ন্যুক্লিয়র সবমেরিন ১ অমাঙ অতা থোকখ্রে

ৱাশিংটন, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী) :

এসিয়াগী ঈশিং ঙমখৈগী শরুক্তা মথৌ তৌদুনা লৈখিবা য়ু এস ন্যুক্লিয়র সবমেরিন অমা শকখঙদবা পোৎশক অমনা য়ৈশিল্লকপদগী অমাঙ অতা থোকখ্রে হায়না য়ু এস নেভিনা ফোঙদোরক্লি।

থা অসিগী ২ দা ইন্দো পেসিফিক রিজনদা সবমেরিন অসিনা হান্নগুম মথৌ তৌদুনা লৈরিঙৈদা মশক খঙদ্রিবা পোৎশক অমদা য়ৈশিনখিবনি। থৌদোক অদুদা সবমেরিন অদুগী শরুক খরা অমাঙ অতা থোকখ্রবসু মদুদা তোংখিবা ক্র্যু মেম্বরশিং অদু শিবা য়াবা মওংদা অমত্তা শোকখিদে। অদুমওইনমক মাইনর ইনজুরি খরদি থোকখি হায়না য়ু এস নেভিগী মকোকথোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কুন্দুজ সিটি মোস্কতা টার্গেট তৌদুনা এটেক চথরকখ্রে : টালিবান

কাবুল, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টানগী মনুংচনবা কুন্দুজ সিটিদা লৈবা মোস্ক অমদা মশিং য়াম্লবা মীওইশিংনা লাইনিং লাইশোলগী থৌরম পাঙথোক্লিঙৈদা শকখঙদবশিংনা মোস্ক অদুদা টার্গেট তৌদুনা বোম এটেক চথরকখ্রে। থৌদোক অদুদা মীওই কয়া অশোক অপন নংখ্রে হায়না টালিবান ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা টালিবানগী মকোক থোংবা ৱাঙাংলোয় জবিহুলাহ মুজাহিদনা ফোঙদোকখিবদা, থৌদোক অদু ঙসি নুংথিল কুন্দুজ প্রোভিন্সকী খান অবাদ দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মোস্ক অমদা থোকখিবনি। মীয়াম্না লাইনিং লাইশোলগী থবক চথরিঙৈদা অতম্বনা এটেক তৌরকখিবগী থৌওং অসি টালিবাননা হকচিন্না লৌই। বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা মীওই কয়া অশোক অপন নংহনখিবতা নত্তনা মীওই খরসু শিহনখ্রে। থৌদোক অদুদা শিখিবা মশিং চপ চানা পন্দ্রবসু মীওই ৩০ রোমদি শিরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

এটেক অসি কনানা চথখিবনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। গ্রুপ অমত্তনসু হিরম অসিগা মরী লৈননা শেংদোরকপা লৈত্রি। অমরোমদা টালিবানগী মায়কৈদগীদি থৌদোক অসি ইস্লামিক ষ্টেটকী মেম্বরশিংনা চথখিবা ওইরম্বা য়াই হায়রি। অফঘানিষ্টানদা নৌনা শেমখিবা টালিবানগী লৈঙাক্না লৈবাক অদুদা অতোপ্পা লালহৌবশিং ওপরেট তৌহল্লোই হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা আই এস মেম্বরশিংনা এটেক চথবগী থৌওংশিং তোয়না চথরক্লি।

সিদনিদগী লোকদাউন লৌথোক্লবা শেম শাখ্রে

সিদনি, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী) :

কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেল্টানা ওষ্ট্রেলিয়াগী তোঙান তোঙানবা সিটিশিং মরুওইনা সিদনিদা অকনবা মওংদা চৈথেং পীরকখিবা অদু মায়োক য়াবা ঙম্নবগীদমক লোকদাউন থমজিনখিবা অদু কোভিদকী ফিভম খরা ফগৎলকপদগী অমুক লৌথোক্লবা শেম শাবা হৌরে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থা অহুম হেন্না সিদনি সিটিদা লোকদাউন থমজিনখিবা অদুনা মরম ওইরগা সিটি অদুদা লৈরিবা মীওই কয়া খুদোংচাদবশিং মায়োক্লদুনা লাকখিবনি। মতম শাংনা লোকদাউন থমজিনখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মীয়াম্না লম্বীদা থোরক্তুনা খোঙজং চঙশিনবা অমদি লৈঙাক্না শেমখিবা কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা চৎন-কাংলোনশিং থুগায়বা হৌরকপদগী তঙায়ফদনা সিদনিগী লম্বীশিংদা মিলিটরি ফাওবা দিপ্লোয় তৌখিবনি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা সিটি অসিদা কোভিদ শন্দোকপগী চাং হস্থরকখ্রবা মতুং ওথোরিটিশিংনা লোকদাউন লৌথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি। মসিদা নত্তনা মী পুনবগী মশিংসু হান্নদগী হেনগৎনা পুনবা য়াহন্নবা হোৎনরি। মরক অসিদা মীয়াম্না য়ুমদগী মপান থোকপদা ফেস মাস্ক অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না চৎপা কাউরোইদবনি হায়রি।

মমাং চহীদগী য়ু এস ট্রুপশিংনা টাইৱানিসশিংবু তুমিন্না ট্রেনিং পীদুনা লাক্লি

ৱাশিংটন, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী) :

চাইনানা টাইৱানবু মখোয়গী ঙমখৈ শরুক্লি হায়না অকনবা মওংদা য়েক্তুনা কা হেনবা থবক থৌওংশিং চথরকপদগী চরাংনবা কয়া থোক্লিঙৈ মরক অসিদা য়ু এস ট্রুপশিংনা তুমিন্না চহী অমরোম হেন্না টাইৱানিস ট্রুপশিংবু ট্রেনিং পীদুনা লাক্লি হায়না ৱাল ষ্ট্রিট জর্নেলগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

জর্নেল অসিনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না য়ু এস ট্রুপস ৩০ রোম্না টাইৱানগী গ্রাউন্দ অমসুং মেরিটাইম ফোর্সশিং মমাং চহীদগী হৌরগা ট্রেনিং পীরমখিবনি। য়ু এসনা টাইৱানগা অফবা মরী থম্লবা হোৎনরিবা অদুবু চাইনানা হান্নদগী হৌনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাক্লি। অসিগুম্বা চরাংনবা থোক্লিঙৈ মরক অসিদা ট্রেনিং পীবগী থবক অসি তুমিন্না চথরকখিবনি।

টাইৱানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনদি জর্নেল অসিদা ফোঙলক্লিবা ৱাফম অসি অরানবনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হৌজিকফাওবগী ওইনদি লৈবাক অদুদা য়ু এস ট্রুপশিং লাকপসু লৈত্রি। মসি কনাগুম্বা খরনা টাইৱানবু লান্না উহন্নবা হোৎনবা থবকশিংগী মনুংদা অমনি হায়রি।

অমরোমদা ৱাফম অসি পেন্টাগোনগী মায়কৈদগী অচুম্বনি হায়না ফোঙদোরক্লবসু অরানবনি হায়বা ৱাফমদি ফোঙদোরক্ত্রি। টাইৱানগী দিফেন্স সিষ্টেম মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনবদা য়ু এসনা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়রি।

নম্বর ২৬০১৩/১৮/আই.টি.বি.পি./১৭শুবা বি এন/ঈ এস টি টি-০২/সী ও আই সী টি (জি দি)
জোন হেরোজিট/২০২১
গবর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া (হোম মিনিষ্ট্রি)
ইন্দো টিবেটান বোর্দর পুলিস ওফিস ওফ দ কম্মান্দেন্ট, ১৭ বি এন
পি.ও. - রেকোং পি ঈ ও, দিষ্ট্রিক্ট - কিন্নাউর (ঐচ. পি)
ঈ-মেল: ITCELL17THBN@ITBP.GOV.IN

//খঙহঞ্জবা//

মাঙজৌননা কম্পিটেন্ট ওথোরিটিগী ইনফোর্মেসন/পার্মিসন য়াওদনা নহাক ৩১.০৩.২০২১ (এফ এন) দগী এবসেন্ট ওইদুনা লাক্লি। তারিখ ০৬.০৪.২০২১ গী ওফিস মেমো নম্বর ১৯৯৯ অমসুং তারিখ ০৫.০৭.২০২১গী নম্বর ৩৫৪৭ গী মতুং ইন্না নহাকপু য়ুনিটতা দ্যুটি জোইন তৌনবা খঙহনখি। তৌইগুম্বসুং নহাক দ্যুটিদা জোইন তৌরবসু লৈতে অমদি হৌজিক ফাওবা ওফিস অসিদা ইনফোর্মেসন অমৎতা পীরকপা লৈতে।

২. নঙোন্দা, নহাক্কী অপোকপা অমসুং নহাক্কী খুঙ্গংগী প্রধাণদা হঞ্জিন হঞ্জিন চে থাদুনা খঙহল্লবসু নহাক দ্যুটি য়াওবা লাক্তে। মদুগী মতুংদা তারিখ ২৯.০৭.২০২১ গী ওফিস ওর্দর নম্বর ১৪৩৪ অসিগী মতুং ইন্না নহাক্না এবসেন্ট ওইবগী মরমদা ইনক্বাইরি তৌনবা কোর্ট ওফ ইনক্বাইরি অমা শেমখি। সী ও আইগী রিক্কম্মোন্দেসন মতুং ইন্না, নহাক তারিখ ৩১.০৩.২০২১ (এফ এন) দগী হৌনা ফোর্স অসি থাদোক্লবা মীশক (দিজার্টর) অমনি হায়না লাউথোক্লে। হীরম অসিগা মরী লৈননা তারিখ ১০.০৮.২০২১ দা ওফিস ওর্দর নম্বর ৩৯৬৫-৭৪ অসি থোকখি। মসিগী কোপিসু রেজিষ্টরদ পোষ্টকী খূথাংদা নহাক্কী হোম এদ্রেস শীজিন্নদুনা নঙোন্দা থাখি। অসুম তৌদুনসু নহাক্না হৌজিক ফাওবদা ওফিস অসিগী করেস্পোন্দেন্সতা রেস্পোন্স তৌদে। মথক্কী ফেক্টশিং অসি য়েংলগা নহাক মখা তানা ফোর্স অসিদা সর্ভ তৌনিংদ্রে হায়না ঐখোয়না লৌই। ফোর্স অসিগী অমসুং গবর্ণমেন্টকী ইন্টরেষ্টতা নহাক ফোর্স অসিদা থম্বদা মতিক চাদ্রে।

৩. অদুম ওইনমক, নঙোন্দা দ্যুটি জোইন তৌনবগী অরোইবা খুদোংচাবা অসি পীরি। খুদোংচাবা অসি লৌনবগীদমক্তা নহাক নোটিস অসি লোকল পাউচেদা ফোঙবা তারিখতগী পারগা নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা নৎত্রগা নোটিস অসি ইস্যু তৌবা তারিখতগী থা অমা (১) ফাওবগী মনুংদা নহাক্কী দিফেন্স ওইনবা পিটিসন/সপোর্টিং দোক্যুমেন্টদিশিংগা লোয়ননা কম্মান্দেন্ট, ১৭ বি এন, আই. টি বি. পুলিস, এম ঐচ এ/গবর্ণমেন্ট, ১৭ বি এন, আই. টি. বি. পুলিস, এম ঐচ এ/গবর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, পি.ও. - রেকোং পি ঈ ও, দিষ্ট্রিক্ট - কিন্নাউর (ঐচ. পি) দা রিপোর্ট তৌগদবনি। নোটিস অসি পীরবসু দ্যুটিগীদমক নহাক্না রিপোর্ট তৌদবা তারবদি নহাক মখা তানা ফোর্স অসিদা সর্ভ তৌনিংদ্রে হায়না লৌগনি অমসুং নহাক্কী মায়োক্তা আই টি বি পি এফ এক্ট/রুলশিংগী মতুং ইন্না নশা য়াওদ্রবসু এক্সন লৌখৎলগনি।

কম্মান্দেন্ট
১৭ বি এন. আই.টি.বি. পুলিস

নোটিস থারিবা,
মিং - জোন হেরোজিট (রেজিমেন্টেল নম্বর ১৪০৩১০৬২৪)
রেঙ্ক - কন্সটেবল (জেনরেল দ্যুটি)
অপোকপী মিং - এসঐচ. কে.ঐচ. জোন্বা চোথে
হোম এদ্রেস - ভিলেজ - চোথে খুনৌ
পোষ্ট - ককচিং
টেহসিল - চান্দেল
দিষ্ট্রিক্ট - চান্দেল
ষ্টেট - মণিপুর, পিন - ৭৯৫১০৩

davp 19112/11/0121/2122

রিজনেল সিক্যুরিটিগী মতাংদা পাকিস্থান অমসুং য়ু এসনা খন্নখ্রে

ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী) :

পাকিষ্টান অমসুং য়ু এস লৈবাক অনীনা মখোয়গী মরী হান্নদগী হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা লৈবাক অনী অসিগী লুচিংবশিং উনদুনা ৱারী শাবা হৌখ্রে। ৱারী শান্নখিবা অদুদা মরুওইনা রিজনেল সিক্যুরিটি ইস্যুশিং অমদি হৌজিক হৌজিক অফঘানিষ্টানদা ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা মরুওইনা খন্নখি হায়রি।

উন্নখিবা অদুদা য়ু এসকী মায়কৈদগী দিপ্যুটি সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ৱেন্দি শের্মন অদুগা পাকিষ্টানগী মায়কৈদগীনা নেসনেল সিক্যুরিটি এদভাইজর য়ুসুফনা শরুক য়াখি। লৈবাক অনীগী লুচিংবা জো বাইদেন অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রান খান অনীগী মরক্তা ৱাহৈগী ওইবা লাল কয়া চথরিঙৈ মরক অসিদা লৈবাক অনীনা মরী ফগৎহন্নবা ফিরেপ লৌরকখিবনি। পনবা য়াবদি টালিবাননা অফঘানিষ্টান খুদুম চনখিবগা মরী লৈননা লৈবাক অনীগী লুচিংবশিং অমনা অমবু হুন্নদুনা লাকখিবনি হায়রি।

নোর্থ কোরিয়াদা চানবা চীঙাক্কী ফিভম লুশিল্লক্লি

সিওল, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী) :

নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা ইন্টরনেসনেল গী ওইনা অথিংবা কয়া থমজিনখিবা, নেচরেল দিজাষ্টরনা মহৈ মরোং থাবা য়াহনখিবদগী অৱাবা কয়া ময়োক্লরিঙৈ মরক্তা কোভিদ-১৯ অমুক অকনবা চৈথেং পীরকপদগী লৈবাক অদুগী ইকনমিগী ফিভম কা হেন্না শোকচিনখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না চানবা চীঙাক মরাং কায়না ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লবা হৌরে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

নোর্থ কোরিয়াদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা চাইনানা চানবা পোৎলমশিং তেংবাং পীবগী থবক চথবা হৌখ্রে। য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মায়কৈদগীসু চানবা চীঙাক অমদি মরুওইবা পোৎলমশিং নোর্থ কোরিয়াদা তেংবাং পীনবা থবকশিং পায়খৎপা হৌখ্রে। অহানবা ফেজগী ওইনা সমুদ্রগী লম্বীদা চানবা পোৎলমশিং থাখ্রে হায়রি।

অমরোমদা লৈবাক অসিগী লুচিংবা কিম জোং অননা ফোঙদোকখিবদা নেচরেল দিজাষ্টরনা মরম ওইরগা নোর্থ কোরিয়াদা হৌখিবা কুমজা ২০১৭তগী ২০১৯ ফাওবা মহৈ মরোং থাবদা মায় পাকপা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা চানবা পোত্থোক মরাং কায়দ্রিঙৈ মরক্তা কোভিদ-১৯ না অমুক হন্না চৈথেং পীরকপদগী লৈবাক অসিগী মীয়াম্না চানবা চীঙাকশিংগী ৱাথোক অসি লাকপা হৌখিবনি হায়রি।

ADMISSION OPEN
FOR THE FOLLOWING COURSES
1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)
**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.
FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com
PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL
HL-B/7197/2/10-31/10

NEFSA EDUCATION CONSULTANCY(NEC)
Since 2000, 20 Years of Trusted Service
Realising Your Dreams
BDS
AYUSH
ENGINEERING
NURSING
PHARMACY
MANAGEMENT
AGRICULTURE
LAW, PARA MEDICAL &
GENERAL COURSES ETC.
MBBS
INDIA & ABROAD
INDIA
BANGLADESH,
KYRGYZSTAN
KAZAKHSTAN ETC.
FMGE/NEXT EXAM will be applicable for both INDIA & ABROAD MBBS students from 2023
FOR DETAILS CONTACT
REGD. OFFICE:
ABOVE HDFC ATM, HATTA MINUTHONG I/E MANIPUR
PH:+91-7005102097 / +91-9856154334
CORPORATE OFFICE:
THOUBAL OFFICE: Near Axis Bank +91-8414043799
LILONG OFFICE: Opp. Al-Hayat Hotel +91-8800560814
BABUPARA OFFICE: BOSEM Leirak +91-7005139464
www.nefsa.in
HL-P/0014/13 Sept. to 11 Oct.